# লৈবাক শীনবা-থুংনা চখরিবা 'টিকা উৎসব'কী অহানবা নুমিৎতা ভেক্সিন দোজ লাখ ৩০ কাপখ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):
টিকা উৎসবকী অহানবা নুমিত্তা ভেক্সিন দোজ লাখ ৩০ রোম কাপ্পুনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা পূন্না ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১০.৪৫ কাপ্লে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না চাংচত্তা ইন্দিয়াদা নোংমদা কাপ্লিবা ভেক্সিন দোজ মশিং লাখ ৪০ হেল্লে। মসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা চাং ওইরি।

নিংথৌকাবা অসি লৈবাক শীন-থুংনা পাঙথোক্লিবা টিকা উৎসবকী নীনি চনবা নুমিৎনি। সেন্টরনা হায়রি মদুদি অয়ুক পূং ৭ ফাওবগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা পূন্না সেসন ১৫,৫৬,৩৬১ দা ভেক্সিন দোজ ১০,৪৫,২৮,৫৬৫ কাপখ্রে।

মখোয়গী মনুংদা অহানবা দোজ কাপ্পা হেল্থক্যের ৱর্কর (ঐচ সী দব্লিয়ু) ৯০,১৩,২৮৯ অমসুং অনীশুবা দোজ কাপ্পা ঐচ সী দব্লিয়ু ৫৫,২৪,৩৪৪ অহানবা দোজ কাপ্পা ফ্রন্ট লাইন ৱারিয়র (এফ এল দব্লিয়ু) ৯৯,৯৬,৮৭৯, অনীশুবা দোজ কাপ্পা এফ এল দব্লিয়ু ৪৭,৯৫,৭৫৬, চহী ৬০গী মথক ওইবা অহানবা দোজ কাপ্পা বেনিফিসরি ৪,০৫,৩০,৩২১ অমসুং চহী গ্রুপ অসিগী অনীশুবা দোজ কাপ্পা বেনিফিসরি ১৯,৪২,৭০৫ যাওরি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, লৈবাক শীন থুংনা পাঙথোক্লিবা টিকা উৎসবকী অহানবা নুমিত্তা কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্ট (সী ভি সী) ৬৩,৪০০ মথৌ তৌদুনা চাংচত্তা ওপরেসনেল সী ভি সী মশিং ১৮,৮০০ হেনগৎখি।

সী ভি সী অয়াম্বা লন্নাইগী ওইবা থবক মফমশিংদা ওপরেসনেল ওইখি। মহৌশানা ভেক্সিনেসন মশিং নেমগনবা নোংমাইজিং নুমিৎ ওইদুনসু টিকা উৎসবকী অহানবা নুমিত্তা ভেক্সিন দোজ লাখ ৩০রোম কাপখি। ভেক্সিনেসন দ্রাইভকী ৮৬নি চনবা নুমিৎ হায়বদি এপ্রিল ১১, ২০২১ দা পূন্না ভেক্সিন দোজ ২৯,৩৩,৪১৮ শীজিন্নখি। দোজশিং অসিগী মনুংদা সেসন ৩৮,৩৯৮ দা বেনিফিসরি ২৭,০১,৪৩৯ দা অহানবা দোজ কাপখি অমসুং বেনিফিসরি ২,৩১,৯৭৯ দা অনীশুবা দোজ কাপখি। গভর্ণমেন্টনা হায় মদুদি, ষ্টেট ১০না নুংতিগী থেংনরিবা কেস অপূন্বগী চাদা ৮১ কন্ত্রিব্যুট তৌরি। মখোয়গী মনুংদা মহারাষ্ট্রনা মকোক্তা লৈ। এক্টিভ কেস মশিং অপূন্বগী চাদা ৭০.১৬ ষ্টেট ৫ না থেংনরি। ইন্দিয়াদা নোংমদা থেংনবা অনৌবা কেস মশিং ১,৬৮,৯০০গী মথক্কি।

মহারাষ্ট্রা, উত্তর প্রদেশ, দেল্লী, ছট্টিসগড়, কর্নাটকা, কেরেলা, টামিল নাড়ু, মধ্য প্রদেশ, গুজরাত অমসুং রাজস্থানদা অনৌবা কেস মশিং নুমিৎ খূদিংগী লেপ্পুনা হেনগৎলক্লি। অনৌবা কেস অপূন্বগী চাদা ৮৩.০২দি ষ্টেট ১০ অসিদা থেংনৈ।

অনৌবা কেস ৬৩,২৯৪গা লোয়ননা মহারাষ্ট্রনা নোংমদা থেংনবা কেস মশীং খ্বাইদগী ৱাংলি। মথংদা কেস ১৫,২৭৬কা লোয়ননা উত্তর প্রদেশনা কেস মশিং য়াম্বদা অনীশুবা ষ্টেট ওইরি। দেল্লীদা অনৌবা কেস ১০,৭৭৯ থেংনখি।

# আই এন এস বিরাট চাদা ৪৩ শীদোক্লে ম্যুজিয়ম ওন্থোকপা য়াররোই: সুপ্রিম কোর্ট



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী দিকমিসন তৌরবা এয়রক্রাফ্ট কেরিয়র আই এন এস বিরাট চাদা ৪০ শীদোক্লে হায়রদুনা মদুবু ম্যুজিয়ম ওন্থোক্নবা প্রাইভেট ফার্ম অমনা থারকখিবা প্লী অমা সুপ্রিম কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে।

চীফ জষ্টিস এম এ বোবদেনা লুচিংবা অমসুং ভি রামাসুব্রামনিয়ন য়াওবা বেঞ্চ অমনা প্রাইভেট ফার্ম ইনভিটেক মেরিন কন্সলটেন্টস প্রাইভেট লিমিটেদ রিপ্রজেন্ট তৌরিবা কাওন্সেলদা হায়খি, জহাজ অদুগী চাদা ৪০ শীদোকপা লোইরে। অদুনা ম্যুজিয়ম ওন্থোকপগী মতম য়াম্না থেংমল্লে। ফার্ম অসিগী কাওন্সেলনা মহাক্কী আর্গ্যুমেন্টতা মখোয়না মমিং লৈবা ফার্ম অমা নেক্লগা সর্ভে পাঙথোকপগা লোয়ননা হীরম অসিগা মরী লৈননা টোপ কোর্টকী মতেং লৌবা য়াই হায়খি।

প্রাইভেট ফার্মগী কাওন্সেলগী ৱাফম অদুগী পাউখুম ওইনা বেঞ্চ অসিনা হায়, জহাজ অসিগীদমক্তা কনাগুম্বশিংনা শেল চাওনা পীখ্রে। জহাজ অসি য়োন্নবা গভর্ণমেন্টনা লিগেল ট্রাঞ্জেক্সন তৌনখ্রে। জহাজ অসি চাদা ৪০ শীদোক্লে। অদুনা কেস অসি য়াম্না থেংলে। প্রাইভেট ফার্ম অমদা শিন্নখ্রবা জহাজ অসিবু লৈবাক্কীদমক শীজিন্ননবা কোর্টতা হৌদোরক্লিবা ৱাফম অসি থেংমল্লে হায়না বেঞ্চ অসিনা মখা তাখি।

গুজরাতকী ভাবনগর দিষ্ট্রিক্টকী অলাংদা বেজ তৌবা শ্রীরাম গ্রুপ কৌবা প্রাইভেট ফার্ম অমনা এয়রক্রাফ্ট কেরিয়র বিরাট হৌখিবা চহীগী জুলাইদা পাঙথোকখিবা ওক্সন অমদা লুপা ক্রোর ৩৮.৫৪দা লৈখি। ফার্ম অসিনা জহাজ শীদোকপগী প্রোসেস হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা হৌখি। শ্রীরাম গ্রুপ রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সিনিয়র এদভোকেট রজিব ধাবননা হায়, বোমেবা হায় কোর্টনা ফার্ম অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সতা ৱাকৎলগা মিনিষ্ট্রি অসিগী পর্মিসন লৌনবা খঙহল্লকখি। অদুবু দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অদু রিজেক্ট তৌখি।

হীরম অসিদা ঐখোয়না খূৎ থিংজিল্লোই, হায় কোর্টনা নখোয়বু দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা লৌহনখিবা ওইরবসু গভর্ণমেন্টনা নখোয়গী (প্রাইভেট ফার্ম) গী ৱাফম য়াখিদ্রবনি।

এপ্রিল ৫দা লৈবাক অসিগী টোপ কোর্ট অসিনা হায়খিবদা, জহাজ অদু হৌজিক প্রাইভেট প্রোপর্টি অমা ওইরে। জহাজ অসিগী চাদা ৪০ শিদোক্লে। অদুনা মসি হৌজিক এয়রক্রাফ্ট কেরিয়রগী ষ্টেটস পীবা য়াররোই।

ইন্দিয়ন নেভিনা চহী ৩০ রোম শীজিন্নরক্লবা অমসুং কুমজা ২০২০গী সেপ্টেম্বরদগী গুজরাতকী জহাজ শীদোকফম য়ার্দ অলাংদা থল্লকখিবা আই এন এস বিরাত মখা তানা শীদোকপগী থবক টোপ কোর্ট অসিনা হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা থিংখি। কোর্ট অসিনা মেট্টর অসিগী মখা তাবা হীয়ারিং চয়োল অমগী মতুংদা লেপখ্রে।

# এন এস য়ু আইনা মায় পাকখ্রে

বারানসি, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি বারানসিদা লৈবা সম্পুর্নাঅনন্দ সংস্কৃত য়ুনিভর্সিটিগী ষ্ট্যুদেন্ট য়ুনিয়নগী মীখলদা ফম খূদিংমক কোংগ্রেসকী মহৈরোয় ৱিং এন এস য়ু আইনা ফংখ্রে। মীখল অদুদা নেসনল ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই) গী কৃষ্ণ মোহন সুক্লাবু ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি। অজিত কুমার চৌবেবু ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা সিবম চৌবেবুনা জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা লোয়ননা অসুতোস মিশ্রাবু লাইব্রেরি সেক্রেটরি ওইনা খনখি। মীখল অদুদা এন এস য়ু আইগী কেন্দিদেটশিংনা অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদকী কেন্দিদেটশিংবু মায়থিবা পীখি।

# দেল্লীগী হোস্পিটাল কয়া কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং ওন্থোক্লগনি: কেজ্রিৱাল

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):
হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা দেল্লীদা কোভিদ-১৯ কেস কা-হেন্না লেপ্পুনা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটাল কয়া অথুবা মতমদা দেদিকেটেদ কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং ওন্থোক্লগনি।

প্রাইভেট হোস্পিটালশিং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং ওন্থোকপগী ৱারেপ অসি নেসনল কেপিটেলগী কোভিদ-১৯ ফিভম রিভিয়ু তৌখিবা ইমর্জেন্সি মীটিং অমদা লৌখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হেল্থ দিপার্টমেন্টতা কেপিটেলদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটাল অনীমক্তা কোভিদ পেসিএন্টশিংগী কেস মশিং হেনগৎহন্নবসু দিরেক্সন পীখি। মীফম অদুদা কেজ্রিৱালনা বেদ মশিং কোরোনা ইনফেক্সন খ্বাইদগী ৱাংখিবা মমাঙগী নভেম্বরদা লৈখিবা বেদ মশিংগা মান্নহন্নবসু খঙহনখি।

সেন্টর কন্টেক্ট তৌদুনা কোরোনা ভাইরস থেংনবদা দেল্লীদা লৈরিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা হোস্পিটালশিংদা বেদ অমসুং অতৈ ফেসিলিটিশিংগী মশিং হেনগৎনবা হায়জনবসু কেজ্রিৱালনা সিনিয়র ওফিসলশিংদা দিরেক্সন পীখি।

মহাক্না হায়খি, দেল্লীগী কোভিদকী ফিভম য়াম্না লুই। হন্দক ইনফেক্সন ৱাংখৎলকপগী মওং অসি মমাঙগী অতৈ মতমশিংদা থেংনখিবদগী হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওই। অদুনা বেদকী অৱাৎপা লৈহল্লোইদবনি।

মহাক্না দেল্লীগী মীয়ামদা কোভিদ প্রোটোকোলশিং ঙাক্লবা অমসুং তঙায় ফদবা নত্তনা অমসুং মরম চাদনা হোস্পিটালশিংদা চেনশিনদনবা অমসুং ভেক্সিন কাপথোক্লবা আপীল তৌখি।

দেল্লী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসলশিংগা লোয়ননা ইমর্জেন্সি মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা দেল্লীগী হেল্থ মিনিষ্টর সত্যেন্দর জেননা মতুং তাবদা ফোঙদোকখিবদা, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটালদা কোভিদ বেদ মশিং হেনগৎহন্নবা ঐখোয়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা হায়জখ্রে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটালদা হৌজিক মমাঙগী নভেম্বরদা লৈখিবা বেদ মশিংদগী হেন্না লৈরে।

# টেষ্ট মশিং হন্থবদগী টেলঙ্গনাগী নোংমদা থেংনবা কেস মশিং হন্থরে

হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):
টেলঙ্গনাদা হান্নগা চাংদম্নবদা কোভিদ টেষ্ট মশিং হন্থবদগী নোংমাইজিং নুমিত্তা অনৌবা কেস মশিং হন্থখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং পূং ৮গী মমাঙ পূং ২৪গী মনুংদা টেলঙ্গনাদা অনৌবা কেস মশিং ২২৫১ দিটেক্ট তৌখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইস্যু তৌখিবা বুলেটিনগী মতুং ইন্না অনৌবা ইনফেক্সনশিংদু থারগা মসিগী অপূনবা কেস মশিং ৩,২৯,৫২৯ শুরে।

হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট মতুংদা অহানবা ওইনা থাংজ নুমিত্তা রেকোর্দ ওইনা সেম্পল ১,১৫,৩৭১ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩,১৮৭ থেংনদুনা নোংমদা থেংনবা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। মসিগা চাংদম্নবদা নোংমাইজিং নুমিত্তা শুপ্পগী সেম্পল ৭৯,০২৭তমক টেষ্ট তৌখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং পূং ৮ মমাঙগী পূং ২৪গী মনুংদা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা মীওই ৬ শিখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎতা শিখিবা মী মশিং ১,৭৬৫ শুরে। পব্লিক হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টরগী মতুং ইন্না, শিবগী চাং নেসনল এভরেজ চাদা ১.৩০গা চাংদম্নবদা ষ্টেট অসিদা চাদা ০.৫৩নি।

হোম/ইন্সটিট্যুসনল আইসো-লেসন তৌরিবা মীওই ১৪,৪৩১ য়াওনা এক্টিভ কেস মশিং ২১,৮৬৪ য়ৌখি।

হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা পূন্না মীওই ৫৬৫ লায়না অসিগী ফরকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী নাবা ফরবা মীওই মশিং ৩,০৫,৯০০ শুরে। রিকভররিগী চাং ষ্টেট অসিদা মখা তানা চাদা ৯২.৮২দা হন্থরক্লবসু নেসনল এভরেজ চাদা ৮৯.৯দগীদি হেল্লি। গ্রেটর হায়দ্রবাদতা কেস ৩৫৫ থেংনখি।

# অমরনাথ য়াত্রাগী ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন এপ্রিল ১৫দগী হৌরগনি

জম্মু, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):
সাওথ কাশ্মিরগী মনুং চনবা হিমালয়াগী মিটর ৩,৮৮০ ৱাংনা লৈরিবা শুরুংগী খুভম অমরনাথতা নুমিৎ ৫৬নি চুপ্পা চৎকদবা লাইফম কোইবগী য়াবা লন্বী অনী থোক্না জুন ২৮দা হৌগনি অমসুং ওগষ্ট ২২দা লোইশিনগনি।

বাল্টাল অমসুং চন্দনৱারি রুটশিং ফাওরগা চৎকদৌরিবা চহীগী ওইবা অমরনাথ য়াত্রাগী ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন এপ্রিল ১৫দগী হৌরগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওফিসর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

শ্রী অমরনাথজি শ্রাইন বোর্দ (এস এ এস বি)গী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর নিতিসকুমারনা ফোঙ-দোকখিবদা, লাইফম কোইগদবশিংনা মখোয়গী অকূপ্পশিং ওনলাইন এপ্লিকেসন ফোর্মদা মেল্লগা অমসুং ফোটো অমা অমসুং কম্পলসরি হেল্থ সর্টিফিকেট (সী ঐচ সী) এটেচ তৌরগা www.jksasb.nic.in দা রেজিষ্টার তৌগদবনি।

সী ঈ ওনা মখা তানা হায়, মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি এদমিনিষ্ট্রেসননা ওথোরাইজ তৌবা দোক্টরশিং. মেদিকেল ইন্সটিট্যুটশিংনা ওথোরাইজ তৌবা দোক্টরশিং অমসুং মেদিকেল ইন্সটিট্যুটশিংদা মার্চ ১৫ মতুংদা ইস্যু তৌখিবা হেল্থ সর্টিফিকেটশিং একসেপ তৌগনি।

ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা য়াত্রিকশিংনা ইনগদবা ষ্টেপশিং বোর্দ অসিগী ৱেবসাইটতা ফংগনি। মখোয়গী এপ্লিকেসনশিং প্রোসেস তৌরবা মতুংদা লাইফম কোইগদবশিংনা মথৌ তাবা পর্মিটশিং দাওনলোদ তৌবা য়াগনি। য়াত্রা মনুংদা মখোয়না মশাদা ওরিজিনেল ফোটো আইদেন্টিটি কার্দ অমসুং সী ঐচ সী লোয়নগদবনি। অরুবা চীং লম্বীশিংদা মতিক চাবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌনবগীদমক য়াত্রিকশিংনা ভেলিদ পর্মিট পীশিনগদৌরি।

# য়োগিনা কোভিদ মেনেজমেন্টকী অকনবা গাইদলাইনশিং ইস্যু তৌখ্রে



লক্ষনৌ, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশতা কোভিদ-১৯ লায়না শন্দোরকপা লাকশিন্নবগী পান্দমদা ষ্টেট অসিদা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথনা অকনবা গাইদলাইনশিং ইস্যু তৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা টিম ১১গী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, উত্তর প্রদেশতা মহাক্না লোকদাওন থম্বসু তৌরোই, মী ৱানা শিহনবসু তৌরোই। হোস্পিটালশিংদা ষ্টেট অসিগী পেসিএন্টশিংগীদমক বেদকী অৱাৎপা লৈহন্দবা হায়বসি ওফিসলশিংগী মথৌনি। চীফ মিনিষ্টরনা য়ু পিগী কোভিদকী ফিভম মেনেজ তৌনবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অমসুং লেবশিং পায়শিনবগী ৱাফম হৌদোকখি।

টেষ্টিং, ত্রেসিং অমসুং ট্রিটমেন্টতা মীৎয়েং থল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মেনেজমেন্টতা ৱারকপগী ফিভম লাক্লিবসি প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অমসুং মেদিকেল কোলেজশিং লৌশিল্লগা কোভিদ ফেসিলিটিশিং হন্দোক্কনি।

ঐখোয়না খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইনা তৌগদবদি কেভিদ-১৯ শন্দোকপা লেপ্পবগী মায় পাক্কদবা ষ্ট্রেটেজিক অমা পুথোকপা অসিনি। পেন্দমিক অসি ঐখোয়না অৱৈবা পাঙ্গল পূম্বা শীজিন্নরগা থেংনগনি। মসিদা থৌশাদবগী মওং অমত্তা লৈহনবা য়ারোই।


মমাঙ চহীগী মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী কোভিদ মেনেজমেন্ট থাগৎলদুনা য়োগি অদিত্যানাথনা হায়খি, মমাঙ চহীগা মান্ননা ঐখোয়না লান অসি অৱৈবা পাঙ্গল পূম্বা শীজিন্নদুনা শোক্লগদবনি। হোস্পিটালশিংগী ওক্সিজেন ফেসিলিটি য়াওবা বেদশিং অমসুং ভেন্টিলেটরশিং য়াওবা বেদশিংগী মশিং হেনগৎকদবনি।

প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা নাবা ফরকপগী চাং নেমবা অমসুং লেবশিংনা প্রিস্ক্রাইব তৌবা রেটতগী হেন্না চার্জ তৌবদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি। কনামত্তা পান্থে লৈজদ্রবা ভিক্টিমশিংগী থৌওংদা খুদোংচাবা লৌহল্লোই। অসিগুম্বা থৌওং অসি খূদক্তা লেপকদবনি। অরানবা নৎত্রগা শেরান্ননা লৌনিংঙাই ওইবা ইনফোর্মেসন পীবশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি।

এম্বুলেন্স সর্ভিস ৪০৮গী তঙ্খায় অমা কোভিদ পেসিএন্টশিংগা মরী লৈননা শীজিন্ননবা অমসুং লেমহৌরিবশিংনা নন-কোভিদ কেসশিংগা মরী লৈননা শীজিন্নবসু য়োগি অদিত্যনাথনা ওফিসলশিংদা ইন্সট্রক্সন পীখি। মহাক্না এম্বুলেন্স অদুগী রেস্পোন্সকী মতম মিনিট ১৫দা লেপকি। পেন্দমিক থেংনবগী লানদা ইন্টিগ্রেটেদ কমান্দ অমসুং কন্ট্রোল সেন্টরদা মীৎয়েং থম্নবসু মহক্না হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা কোভিদ পেসিএন্টশিংগী টেষ্ট রিপোর্ট পীবদা থিন্থহন্দনবসু ওফিসলশিংদা দিরেক্সন পীখি। মহাক্না মখা তারদুনা লেব এক্সপান্সন তৌনবা অমসুং টেষ্টকী কেপাসিটি হেনগৎহনবগী ৱাফম হৌদোকপগা লোয়ননা আর টি-পি সী আর টেষ্টকী কেপাসিটি চাদা ৭০ হেনগৎহন্নবা ওফিসলশিংদা দিরেক্সন পীখি।

# মুম্বাইদা ফাইভ-ষ্টার হোটেল খরা কোভিদ সেন্টরশিং ওন্থোক্লগনি



মুম্বাই, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):
নুমিৎ খূদিংগী লেপ্পুনা হেনগৎলক্লিবা মশিং য়াম্লবা কোরোনা পেসিএন্ট লায়েংবা ফংহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ফোর ফোর-ষ্টার অমসুং ফাইভ ষ্টার হোটেল খরা কোভিদ সেন্টরশিং ওন্থোক্লবা ব্রিহান মুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (বি এম সী)না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রে।

কোর্পোরেসন অসিনা সিটি অসিদা অনৌবা জম্বো ফীল্ড হোস্পিটাল অহুমসু লিংখৎলগনি। ম্যুনিসিপাল কমিস্নর আই এস চহালনা ফোঙদোকখিবদা, মুম্বাই অমসুং সবর্বশিংদা লৈবা ফাইভ ষ্টার অমসুং ফোর-ষ্টার হোটেল খরা কোরোনা পোজিটিভ পেসিএন্টশিংগী কোভিদ ক্যের সেন্টর-২ ফেসিলিটিশিং ওন্থোক্লবা রিক্বিজিসনগী প্রোসেস চথুরি।

ফেসিলিটিশিং অসি পান্দমগা চানবা মওংদা শেমগনি অমসুং মরু ওইবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী প্রোফেসনলশিংনা চল্লাইগনি। অনৌবা পেসিএন্টশিং লায়েংনবা বেদ মরাং কায়না ফংহন্নবগী মফম অনাবা ফবগী চাং ৱাংলবা পেসিএন্টশিং সী সী সি-২ ফেসিলিটিশিংদা থুনা হোংজিনগনি। মসিদা নত্তনা গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী কোভিদনা খ্বাইদগী ফিভম শোকহল্লবা মুম্বাইদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অনৌবা জম্বো ফীল্ড হোস্পিটাল অহুম শারগনি।

আই সী য়ুগী বেদ ৮নি অমসুং ওক্সিজেনোটেদ বেদ চাদা ৭০ য়াওনা ফেসিলিটি অমমমদা বেদ ২০০০ লৈগনি। মসিনা লৈবাক অসিগী কম্মর্সিএল কেপিটেলদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা শেমগৎখিবা অচৌবা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংগী মশিং ৭তগী ১০ শুরগনি। মুম্বাইগী এক্টিভ কেসলোদ ৯১,১০০ য়ৌরে।

# বিহারদা নুমিৎ ৪নিগী মনুংদা কেস মরি হেনগৎলে

পটনা, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):
বিহারদা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৱাংখৎলকপদগী ষ্টেট অসিগী মীয়াম অমুক হন্না মীপাইনবা হৌরে। এক্টিভ কোভিদ-১৯ পেসিএন্ট মশিং হেনগৎলকপদগী পোজিটিভ ওইবশিংগী মশিং রেকোর্দ ওইবা মওংদা ৱাংলক্লে। হৌখিবা নুমিৎ নিপালনি অসিদা ষ্টেট অসিগী কোভিদ কেস মশিং শরুক মরি হেনগৎখি।

ষ্টেট অসিগী এক্টিভ কেস মশিং এপ্রিল ৪দা ৩৫৬০ ওইখিবদগী এপ্রিল ১১দা ১৪.৬৯৫ য়ৌখি। বিহার গভর্ণমেন্টনা পেন্দমিক কন্ট্রোল তৌনবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং মপূং ফাদবগুম তৌরি।

ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থাদোকপা দেটাগী মতুং ইন্না পোজিটিভ মশিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা এক্টিভ কেস মশিং হেনগৎলকখি। বিহারদা এপ্রিল ৪দা পোজিটিভ ওইবা মীওই ৮৬৪ থেংনখি অমদি নুমিৎ অসিদা মীওই ২৪৫ লায়না অসিদগী ফখি। নুমিৎসিদা ষ্টেট অসিগী এক্টিভ পেসিএন্ট মশিং ৩,৫৬০ ওইখি। মসিগী মতুং মশিং য়াম্না থুনা হেনগৎলকখি।

গভর্ণমেন্ট দেটাগী মতুং ইন্না, এপ্রিল ৫দা ষ্টেট অসিদা এক্টিভ পেসিএন্ট পূন্না ৪,১৪৩ লৈখি। মসি এদিপ্রল ৬তা ৪৯৫৪দা অমসুং এপ্রিল ৭তা ৫,৯২৫দা হেনগৎখি। এক্টিভ কোভিদ পেসিএন্ট মশিং এপ্রিল ৮দা ৭,৫০৪দা হেনগৎখি অমসুং এপ্রিল ৯দা ৯,৩৫৭তা হেনগৎখি। এপ্রিল ১০দা এদক্টিভ কেস মশিং ১১,৯৯৮ য়ৌখি।

## ꯊꯥꯒꯠꯄ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 216/SDC/IW/P** **12/4/21**

1. Khongbantabam Tombi Singh, S/o (L) Babu Singh of Patsoi Part-III
2. Khongbantabam Sohadeva Singh, S/o (L) Babu Singh of Patsoi Part-III
3. Khongbantabam Nokul Singh, S/o (L) Babu Singh of Patsoi Part-III ...*Petitioners*

-Vrs-

1. Late Khongbantabam Babu Singh, S/o (L) Laxman Singh of Patsoi Part-III
2. Khongbantabam (O) Mema Devi, W/o (L) Radha Singh of Pasoi Part-III ...Opp/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 12/04/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি। মদুদি ঈ:ও: পাৎশোইগী খুল নম্বর ৮০-পাৎশোইগী পাট্টা নং ৬৮ (অরিবা) ১০৪ (অনৌবা)গী দাগ নম্বর ১২২৯গী ০.৩০ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কোপাট্টাদার নং ১ অসি মৃত ওইখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মৃত কোপাট্টাদার নং ১ গী শরুক মমাং থংবদা ০.১৫ একর অসিদা মমিংশিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২০/০৪/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

HL-P/9610/13 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

## ꯊꯥꯒꯠꯄ/ অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, অমাংথোঙ মপান্দা মফম অনী থোক্না চেকখায়বা, অমাংথোঙ মনুংদসু তৎপা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু পয়াগুম্না পানা থোক্লকপা, অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা খূৎনা কোৎলগা শেংদোকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, অমাংথোঙ মপান্দা মফম অনী থোক্না চেকখায়বা, চেকখায়বা অদুনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বদা নাবা, থুপ্পা অমদি শাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা চাম্বদসু, শোকপদসু য়াম্না নাবা, অমাংথোঙ মপান্দা চনা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, নুমিৎ খরনি লৈরগা হান্না পোম্বা অদুগী মনাক্তা অমা অমুক পোম্লকপা, অকোনবা পোম্লম্বা অদু য়াম্না চিকপা, নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, নোংম-নোংমা চিকপা নাবা হেনগৎলকপা, কা হেন্না চিকপা অদুনা চাবা থকপা য়াদবা অমদি অহিং তূম্বা য়াদবা, নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, অমাংথোঙ মনুংদসু তৎপা, করিগুম্বা খোঙ অকনবা হাল্লকপা তারগদি অমাংথোঙ মনুংগী তৎফম অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা ঈ তারকপা অমদি ফম্বা মতমদা অমাংথোঙদা নাবা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা শেংদোকপা অমদি অমাংবদু পয়াগুম্না পানা থোক্লকপা, খ্বাং নাবা, লেংজম অনীমক চিকপা নাবা, ঙমশক মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6914/13 *থাগৎচরিবা :* **Sh. Rakesh Singh, Checkon**

## ꯊꯥꯒꯠꯄ/খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না কুইনা চঙবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, পুক য়েক্লি-য়েক্লি তৌরগা খোঙ হামনীংলগতা লৈবা, খোঙ হাম্বা চঙলুরগনা মপূং ফানা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ মপূং ফানা হামদোক্তবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা অৱাবা ওইবা, তাং তাং চিকপা-নাবা নাবা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না-হন্না থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না কুইনা চঙবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, পুক য়েক্লি-য়েক্লি তৌরগা খোঙ হামনীংলগতা লৈবা, খোঙ হাম্বা চঙলুরগনা মপূং ফানা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ মপূং ফানা হামদোক্তবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা অৱাবা ওইবা, তাং তাং চিকপা-নাবা নাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, চাবা থকপা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরী নাবা, অমাংথোঙদা য়াইরোংমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু মচিন নাইদবা অমদি য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংফম খঙদবা, চিকপা নাবা অদুনা অহিং তূম্বা য়াদবা, নুমিৎ খরনি লৈরগা মচিন নাইরগা নাই চারগা কায়রকপা, লু তোং চিকপা-নাবা, শীংলি নাওরি শোন্থবা, থজিন শাওগৎপা, চাকখাও শোকপা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু থাগৎচরি।

**ওজাগী লায়েংফমশিংদি :**
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/9432/13 *থাগৎচরিবা :* **M. Homendro, Lamlong**

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 329/SDC/IW -L/2021**

Lairikyengbam Surchandra Singh S/o (L) L. Sharat Singh of Lamboikhongnangkhong ...*Petitioner*

-Vs-

Late Thingnam (N) Labanga Devi W/o (L) Mangi Singh of Uripok ...O.P./Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

12/4/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার থিংনাম নিংঙোল লবঙ্গ দেবী পীতা মৃত মঙ্গি সিংহ সাং উরিপোক্কী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫১-অখামগী অনৌবা পাট্টা নং ৪৩ দাগ নং ৫৪ এরিয়া ২.৪২০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/9611/13 ***Sd/- Sub-Deputy Collector:IW:Lamsang***